# সনালৈবাক স্পোর্টস

THURSDAY, JANUARY 16, 2014, PAGE 7




*নিউ জিলেন্দগী লুকী রোঞ্চিনা লংখিবা বোল অমদা বেষ্ট ইন্দিজগী দিনেশ রামদিননা ফোর লৌখিবা*

*অষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী মেটচ অমদা দেবিদ ফেররনা মানরিওদা সেকেন্দ রাউন্দগী মেটচ অমদা বোল হনখিবা*



## ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অঙম্বী থাক্তা হোৎনগদৌরি



*নু দিল্লি, জনুৱারি ১৫ঃ* ন্যু দিল্লিগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা চখৎরিবা লৈবাক ৮ না শরুক য়ারিবা হিরো ৱার্ল্ড হোকি লিগতা ইন্দিয়ানা অরোইবা মেটচ ওইনা অষ্ট্রেলিয়াগা ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনগদৌরি।

ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেল্থ গেমসকী সেমি ফাইনেলগী মেটচ অমদদি ইন্দিয়ানা অষ্ট্রেলিয়াবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

হৌজিক চখৎরিবা হিরো ৱার্ল্ড হোকি লিগসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা টিম অনি অসিনা অমুক হন্না শান্নগদৌরিবা অসি হন্দক্কী হিরো ৱার্ল্ড হোকি লিগ ফাইনেল অসিদনি। ইন্দিয়া টিমনা মখোয়গী অরোয়বা পুল বিগী মেটচতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জর্মনি টিমগা গোল ৩–৩ দা দ্রো ওইবা অসিনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ানা অষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবনি। অষ্ট্রেলিয়া টিম অসিবু ইন্দিয়ানা হোকি ৱার্ল্ড লিগতা ৫–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। ইন্দিয়া টিমনা টিম অসিবু অমুক্কা হন্না কম্মন ৱেল্থ গেমসতা থেংনবদা ৮–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মসি হোকিগী মমাংদা লৈখিবা রেকোর্দকী মতুং ইন্ননি।

ইন্দিয়া টিমনা লৈবাক ৮ না শরুক য়াদুনা ধ্যানচান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা হোকি লিগ অসিগী মেটচতা জর্মনি নত্তনা টিম অসিগী ওপোনেন্ট টিম ওইখিবা ইংলেণ্ড অমদি নিউজিলেন্দদা ২–০ অমদি ৩–১ দা মায়থিবা নংখি। মসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী লাইবক থিবা মেটচশিং ওইখি হায়বসি মেটচ অদুবু য়েংলিবা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সরধর সিংহনা লুচিংবা টিম অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ অসিদা নীংথিনা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া টিমনা পীরকপা পার্ফোমেন্স অদুগী মতুং ইন্না মখোয়না সেমি ফাইনেলদা য়ৌরকপা নত্রগা সেমি ফাইনেল চংলক্তবা হায়বদুদি মেটচ শান্নদ্রিঙৈ মমাংদা হায়বা লানগনি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী শরুক অমা ওইনা ইংলেণ্ডগা বেলিজিয়মগা পুং ১.১৫ দা শান্নগনি। অতোপ্পা মেটচ ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জর্মনিগা ৱার্ল্ডগী অনিশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা নিউজিলেন্দগা পুং ৫.৪৫ দা শান্নগনি। নিউজিলেন্দ টিমগা অর্জেন্টিনাগা পুং ৮ দা শান্নগনি অমদি ইন্দিয়াগা অষ্ট্রেলিয়াগা পুং ৮ দা শান্নগনি।

## মার স্পোর্টিংনা ৭ শুবা আই আর বি এফ সি জিরি কপতা মায়থীবা পীখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চখৎরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইতেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মার স্পোর্টিং এসোসিয়েসন কশার, আসাম্না ৭ শুবা আই আর বি এফ সিবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মার স্পোর্টিং এসোসিয়েসনগী গোলশিং অদু লালরামঙাক মারনা ৪৩ অমদি ৭৩ শুবা মিনিটতা অনী অমদি পাউল মারনা ৬১ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি। ৭ শুবা আই আর বি এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা আর কারুংথাংনা ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

এ জয়কুমার সিংহ, ও বিসোর, পি রাজেস অমদি এন জি গ্যানেস্বরনা মেটচ অদু কনদক্ট তৌখি।

হয়েং ২৭ শুবা আসাম রাইফলস অমদি দাইগর মার স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নগনি।

## নন রেসিদেন্সিয়েল ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম হৌখ্রে



ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম হৌদোকপদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই, য়াইফ লমজিং লুপ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী থৌবপুবশিং।

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়াইফ লমজিং লুপ পিশুম নিঙোম লৈরক্না শিন্দুনা ঙসিদগী লুপ অসিগী গ্রাউন্দদা চহী ১৪ গী মনুংদা লৈবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংগী ওইবা নন রেসিদেন্সিয়েল ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম হৌখ্রে।

থা অসিগী ২৯ ফাওবা চখগদবা কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শান্নরোই ৩০ রোম্না শরুক য়ারি। কোচ অহুম এ এফ সিগী (বি) লাইসেন্স হোল্ডর পুথিবা, এ এফ সি (সি)গী লাইসেন্স হোল্ডর এল দেবচন্দ্র অমসুং এম দেবেননা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোইশিং অসিদা তাকপী তম্বীগনি।

কোচিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ মোবিমচা, এসোসিয়েসন অসিগী এদজুগেটিব কাউন্সিলগী মেম্বর হান্নগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা শরুক য়াখি।

য়াইফ লমজিং লুপ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মরুওইবা থৌপুবা কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## নিউ জিলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মায়থিবা পীখ্রে



*ৱিলিংটোন, জনুৱারি ১৫ঃ* ৱিলিংটোন্দা চখৎরিবা ৱার্ল্ড টি ২০ ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা নিউ জিলেন্দ টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নিউ জিলেন্দনা টি ২০ মেটচ অসিদা ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু মায়থিবা পীবা ঙমখি। অহানবা ওইনা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা নিউ জিলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু টেষ্ট মেটচ ৩ শান্নবদা ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মখা তানা টিম অনি অসি টি ২০ গী মেটচ শান্নবদা লৈবাক অনিমক্কা ২–২ দা দ্রো ওইখি।

মঙাশুবা মেটচ ওইনা শান্নবা মতমদা মায় পাক্লবা নিউ জিলেন্দ টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নহনবদা রন ৭৯ লৌরগা ৱিকেট ৫ তুখি। মসিগী পাউখুম ওইনা নিউ জিলেন্দ টিমনা রন ৮১ লৌদুনা ৱিকেট ৪ ইন হেন্দ ওইবগা লোয়ননা মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখি। টিম অসিগী শান্নরোই রোস ট্রেলর অমদি লুকি লোঞ্চিনা ইন্নিংস অদুদা চাউনা মায় পাকপা ঙম্বগা লোয়ননা ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমবু ৱিকেট ৪ দা নিউ জিলেন্দ টিমনা মায়থিবা পীবা ঙমখি। অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগী টেষ্ট মেটচ শান্নখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজবু য়াম্না লাকচনা মায় পাকপা ঙমখি। ওভর ২০ গী মেটচ অদুদা নিউ জিলেন্দনা রন ৮১ লৌবা ঙমখি। অদুগা অনিশুবা টেষ্ট মেটচদা টিম অসিমক্কা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৭৯ লৌবা ঙমখি। টিম অসিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা টেলরনা বোল ৪১ দা রন ৩৯ খক পীখি অমসুং রোঞ্চিনা বোল ৫১ দা রন ২৮ পীবা ঙম্বগা লোয়না টিম অসিনা ৱিকেট য়াম্না লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মায়থিবা পীখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী টিম কেপ্টেন ওইখিবা দিৱানি ৱ্রেহোনা ওভর ১৫ শান্নবদা শুপ্নগী রন ১৭ খক লৌবা ঙমখি। মহাক অমসুং মহাক্কী টিম মেদনা বোল ৩৬ দা রন ৫৪ লৌবা ঙমখিবা শান্নরোই ওইখি। ওভর ১৭ লোইবা ফাওবদা জেক্সন অমসুং মহাক্কী পার্টর টেলরনা রন ১৫ খক লৌবা ঙমখি। অসুম্না ৱেষ্ট ইন্দিজ টিমনা নিউ জিলেন্দগী মখুত্তা ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা নংখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেষ্ট মেন জেসি রেবিনা য়াম্না থুনা বোল ৯ গী মনুংদা রন ২৩ লৌবা ঙমখি। অদুম ওইনমক টিম অসিনা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনরগসু নিউ জিলেন্দনা থম্লিবা টার্গেট অদু য়ৌবা ঙমদনা মায়থিখি।

## দেবলা ক্রিকেট

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চখৎরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রেফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এস এম ৱাই দি ও সাপম অমদি বাসু রেস খাঙবোক মায় পাকখ্রে।

অহানবদা শান্নখিবা গ্রুপ (জে)গী মেটচতা এস এম ৱাই দি ওনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৪ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা বাসু রেস খাঙবোক্না এস দি ও পলেলবু রন ২২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## য়ু বি এস এ মনতক ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* য়ু বি এস এ মনতক্না আই ৱাই এ ককচিংবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীরগা ১৫ শুবা সেনা কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ফাইনেল চঙখ্রে।

সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা চখৎরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী য়ু বি এস এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এদিসননা অনী অমদি ঙিরজোননা অমা চনখিবনি। আই ৱাই এ গী গোল অদুনা হেন্বনা চনখিবনি।

## ভেটরান ক্রিকেটকী অহানবা মেটচতা সাইক্লোন মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ* মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী লংথবাল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নসিপ ২০১৩–১৪ হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা সাইক্লোননা দি এস য়ুবু রন ৩৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

দি এস য়ুনা টোস ঙম্লগা হান্না ফিল্ডিং খনখি। সাইক্লোন অহানবা ইনিংসকী বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪২ লৌখি। ইনিংস অদুদা সাইক্লোনগী বেটচমেন রোবিন্দ্রো নোট আউট ওইরগা রন ৫৮, বিনোয়না রন ৩১, সুর্জিৎনা রন ১৪ অমদি হোকেন্দ্রোনা রন ১১ লৌখি।

অনীশুবা ইনিংস্তা দি এস য়ুনা বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১০৫ খক লৌবদগী রন ৩৭ তা মায়থীখিবনি। মেইন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী বিনোয়না রন ৩১ অমদি ৱিকেট ৩ লৌরগা তাখি।

## সাইনা অমদি সিন্ধু মায় পাক্লি



*কুলালামপুর, জানুৱারি ১৫ঃ* ইন্দিয়াগী টোপ সিদেদ ওইরিবা সাইনা নেহৱাল অমদি পি ভি সিন্ধুনা য়ু এস দোলর লাক্ষ ৫ না শিল্লিবা মালেসিয়া ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়ারদা অহানবা রাউন্দ মায় পাকপগা লোয়ননা মখা তাবা রাউন্দ চংশিনবা হৌখ্রে।

মালেসিয়াগী পুরট্রা ষ্টেদিয়মদা চখৎরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৱার্ল্ডগী ৮শুবা সিদতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সৈনা নেহৱালনা ইন্দোনেসিয়াগী হিরা দেশপু ২১–১০, ২১–৬ তা মায়থিবা পীদুনা অনিশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে। মহাক্না হেরাদেসিবু মায়থিবা পীবা অসিদা চাউরাক্না মিনিট ৩৬ চংখি। অনিশুবা মেটচ ওইনা ৱার্ল্ডগী ৩০শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা সিয়াও জুগা থেংনগদৌরি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবা সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী লিন্দাৱিনি ফর্নেষ্ট্রিবু ২১–১৭, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মেটচ অসি শান্নবা লোইবদা চাউরাক্না মিনিট ৪৩ চংখি।

সিদুনা অনিশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী ৬শুবা সিটদা লৈরিবা য়েওন জু বেগা শান্নগনি। হায়দ্রবাদতা পোকখিবা সিন্ধুনা জাপান ওপন্দা শান্নরোই অসিগা লম্বা তৌদুনা শান্নখি।


ꯃꯤꯂꯦꯅꯤꯌꯝ ꯏꯟꯁ꯭ꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯁꯥꯏꯟꯁ

**Millennium Institute of Sciences**

*Presents for the first time*

**MILLENNIUM SCHOOL**

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) | 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) | 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726